## মণিপুরগী শান্নরোই সুমন দেবী থৌদাম জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৩৭ লাওথোকপদা য়াওরি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

হোক্কী ইন্দিয়ানা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল কেম্পতা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ৩৭ কী মমিং লাওথোরকপদা মণিপুরগী শান্নরোই সুমন দেবী থৌদাম য়াওবা ঙমখ্রে।

মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোই সুমন দেবী থৌদাম মমাঙদা পাঙথোকখিবা নেসনেল কেম্প কয়াদসু শরুক য়াবা ঙমখ্রবী শান্নরোইনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমদা শরুক য়াবা ঙমদুনা এক্সপরিয়েন্স কয়াসু লৈরবা শান্নরোই অমসু ওইরিবনি।

জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল হোক্কী কেম্প অসি ঙসিদগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা হৌখিবনি। হোক্কী ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর দেবিদ জোননা ফোঙদোকখিবদা কেম্প অসিগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিংনা পুন্না শান্নমিন্নদুনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা অৱাৎপশিং অমদি মখোয় মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং অদু মেনখৎপদা চাওনা মতেং পাঙলগনি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স টিম্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা লৈবাক অহুমগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী জুনিয় ৱুমেন'স হোক্কী টিম্না ন্যু জিলেন্দবু মেটচ অনী



শান্নবদা অনীমক মায় পাকপা ঙমখিবনি। অদুগা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অনীদসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগা অহানবা শান্নখিবা মেটচতা গোল ১–১ দা ড্রো চৎখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াগা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং গোল ১–২ দা মায়থিহৌখিবনি। লৈবাক ৩ গী হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াগা পোইন্ট ৭ / ৭ তা মান্নখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা ফজদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঙথোকখিবা লৈবাক ৩ গী টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মায়োক্নবা টিমশিংবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীবদা অচৌবা মতেং ওইনবা নেসনেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর দেবিদ জোননা মখা তাখি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল কেম্পতা শরুক য়ানবা লাওথোকখ্রবা শান্নরোই ৩৭ কী মমিং অদুদি গোলকিপরদা রাসানপ্রিত কোর, খুসবু অমসুং এফ রামেনমাৱিনি।

দিফেন্দরদা প্রিয়াঙ্কা, সিমরন সিংহ, মেরিনা লালরামংহাকী, গগনদিপ কোর, ইসিকা চৌধারি, জোটিকা কালসি, সুমিতা, অকসাটা ধেকালে, উষা, পরনিট কোর, মহিমা চৌধারি অমসুং সুমন দেবী থৌদামনি।

বলজিৎ কোর, মেরিয়ানা কুজুর, কিরনদিপ কোর, প্রাভলিন কোর, প্রিতি, অজমিনা কুজুর, ভাইসনাভী ফাল্কে, কভিতা বাগদি, বলজিন্দর, সুসমা কুমারী, রিট, চেটনাসু নেসনেল কেম্প অসিগী মিডফিল্ডরগী কাঙলুপ্তা য়াওরি। অদুগা মমতাজ খান, বিয়ুটি দুংদুং, গুরমেল কোর, দিপিকা, লালরিন্দিক্কী, জিৱান কিসোরী টোপ্পো, রুতুজা পিসাল, সঙ্গিতা কুমারী অমসুং য়োগিতা বোরানা ফোরৱাদকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াদুনা কেম্প অসিদা শরুক য়ারগনি।

## ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিস, সটিস অমসুং লোভলিনাসু সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রে

*অম্মান, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

জোরনাদগী সিটি অম্মানদা চংখৎরিবা এসিয়ান ওলেম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিস কুমার, সটিস কুমার অমসুং লোভলিনা বোরগোহেনসু মখোয়–মখোয়গী কেটেগোরিশিংদা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

এসিয়ান ওলেম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়র অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৭৫ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিস কুমারনা ইন্দোনেসিয়াগী বোক্সর মাইখেল রোবার্দ মুস্কীটাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিস কুমারনা বাওট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী বোক্সরবু দোমিনেট তৌবা ঙমখিবদগী য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

এসিয়ান ওলেম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়র অসিগী নুপাগী কেজি ৯১ মথক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা কম্মনৱেল্‌থ সিলভর মেডালিষ্ট অমসুং ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সটিস কুমারনা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর দাইভি ওটগোনবায়ারবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখ্রে। কেটেগোরি অসিদা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা সটিস কুমারনা অহানবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর সটিস কুমারনা সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং টোপ সিদেদ উজবেকিষ্টানগী বোক্সর বাখোদির জালোলোভকা লম্বা তৌনরগনি। বাওট অসি ইন্দিয়াগী সটিসকী ওইনদি য়াম্না অকনবা লম্বা অমা ওইগদৌরি।

ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিগী নুপীগী কেজি ৫৯ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা অনীরক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর লোভলিনা বোরগোহেননা উজবেকিষ্টানগী মাফটুনাখোন মেলৈভাবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেজি ৮১ গী ঙরাং অথেংবদা থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন কুমার চাইনাগী নেসনেল চেম্পিয়ন দাজিয়াং চেনগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমহৌখিদে।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং অঙনবদা পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিংদা মায় পাক্নুনা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর পুজা রানী (কেজি ৭৫) অমসুং নুপা বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণন (কেজি ৬৯) সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মাঙজৌননা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।



## পেরেজগী পেনাল্টি গোলনা ইষ্ট বেঙ্গলনা রিয়েল কাশ্মীরবু থোইদুনা টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে

Hero I-LEAGUE

*শ্রীনগর, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি কাশ্মীরগগী কোনুং শ্রীনগরদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ভিক্তর পেরেজনা পেনাল্টিনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা কোলকটাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা রিয়েল কাশ্মীরবু গোল ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অসি মায় পাকখিবদগী ইষ্ট বেঙ্গলনা মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৩ ফংলগা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি অদুগা রিয়েল কাশ্মীরনা মেটচ ১৫ দা পোইন্ট ২২ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখিবদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৩৮শুবা মিনিটতা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোই দানিস ফারুক ভট চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা



তাহ্নোকখিবদগী রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোং চাবা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা লৌবা ঙমখ্রবসু য়ুম্বু টিম ওইরিবা রিয়েল কাশ্মীরগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খঙনা শান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই বিদ্যাসাগর সিংহগী ওইথংবা খোঙনা কাউশিল্লকখিবা সোট অমা রিয়েল কাশ্মীরগী গোলকিপরনা ঙাকথোকখিবদগী গোল ওইহৌখিদে।

শান্নবগী ৯০শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই ভিক্তর পেরেজনা গোল ওন্থোক্নুনা গোল ১–০ দা হেন্দুনা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মিনিটতা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোই কাল্লুন হিগিনবোথাম অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী এদমুন্দ লালরিন্দিকা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা চংখিবা থৌওংনা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা মখোয় অনীমক রেদ কার্দ উৎতুনা তাহ্নোকখি।

## ইন্দিয়ান ৱেলস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট তোকখ্রে

*লোস এঞ্জেলিস, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমদা পাক শন্না লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী চৈথেং ওইনা য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান ৱেলস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট তোক্লে হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসি গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ৪গী মতুংদা খ্বাইগী চাওবা টুর্নামেন্ট অমনি। টুর্নামেন্ট অসিদা দব্লিয়ু টি এ অমসুং এ টি পিগী টুর্নামেন্ট অনীমক পাঙথোক্কদবনি।

ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি অঙনবদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হেল্‌থ দিপার্টমেন্ট ওফ কার্লিফোর্নিয়ানা মফম অসিদা কোভিদ–১৯গী কেস কনফার্ম তৌখিবদগী পব্লিক হেল্‌থ ইমরজেন্সি লাওথোকখিবদগী টুর্নামেন্ট অসি তঙাইফদনা তোকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মতম খরগী মমাঙদা ওর্গনাইজরশিংনা টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোক্তনবা হোৎনদুনা মফম অসিদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম, বোল কিদস, ভোলুন্টিয়র অমসুং ফুদ ৱার্করশিংদা লু–নান্না থম্নবগীদমক সেনিটাইজেসন প্রোগ্রাম কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু লায়চৎ অসি শন্দোরকপগী চাং অসি হেনগৎলদগী টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপগী মথৌ তাখিবনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী সফালি টি–২০ বেট্টিং রেঙ্কিংদা ৩শুবা পোজিসন্দা হন্থখ্রে

*দুবাই, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি লাওথোরকখিবা টি–২০ বেট্টিং রেঙ্কিংদা মমাঙদা নম্বর ৱান পোজিসন ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর সফালি ভর্ম থাক ২ হন্থরগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে।

মশাগী চহী ১৬ শুরবী ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন সফালি ভর্ম হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই সি সি টি–২০ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ ষ্টেজ লোয়বা ফাওবগী মনুংদা পুন্না পোইন্ট ৭৪৪ ফংদুনা বেট্টিংগী নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা আওট ওইদনা রন ৭৮ লৌবা ঙমখিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর বেথ মুনেনা হান্না অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী হৌজিক পোইন্ট ৭৬২ ফংলগা থাক অনী হাইগৎপা ঙমদুনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর মুনেনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ৬ শান্নখিবদা রন ২৫৯ লৌবা ঙমদুনা এভরেজদা ৬৪ ওইবা ঙমখিবা পার্ফোমেন্স অসিনা মরম ওইরগা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনাসু লৌবা ঙমখি।

বেট্টিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ন্যু জিলেন্দগী বেটসৱুমেন সুজি বেটসনা পোইন্ট ৭৫০ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। বেট্টিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসৱুমেন অনী স্মৃতি মন্ধনা অমসুং জেমীমাহ রোদ্রিগ্বেজ টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি। ভাইস কেপ্টেন মন্ধনানা ৭শুবা অমসুং জেমীমাহ রোদ্রিগ্বেজনা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

টি–২০ বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা ইংলেন্দগী সোফি ইক্লেষ্টোননা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মেগান সুট অমদি সাউথ অফ্রিকাগী সাবনিল ইসমেলনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী দিপ্তি, রাধা যাদব অমসুং পুনম যাদবনা মথং শিংনা তরুকশুবা, তরেৎশুবা অমদি ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র য়ৈথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱার্ল্ড ক্বালিফায়র অমসুং এ এফ সি এসিয়ান কপকী রাউন্দ টুগী ক্বালিফিকেসন মেটচশিং কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়না এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র অমসুং ২০২৩ এ এফ সি এসিয়ান কপকী অপুনবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ টুগী মেটচশিং অসি মার্চ অমসুং জুন থাদা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপখিবনি। হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা অকিবগী মশক ওইরবা লাইচৎ কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদগী শান্নরোইশিং, ওফিসিয়েলশিং অমদি ভাবকশিংগী খুদোংচাবা য়েংলগা তঙাইফদনা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং অসি য়ৈথোকখিবনি হায়না এ এফ সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এফ সিনা ইরকপা চিঠিগী ৱারোলদা ফিফা অমসুং এ এফ সিনা পুন্না খন্নরবা মতুং মেটচশিং অসি য়ৈথোকপগী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ২৬ তা এসিয়ান চেম্পিয়ন কাটারগা ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নবগী মতম লেপখিবনি। অদুগা জুন থাদা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকা ধাকাদা জুন ৪ অমদি য়ুম্লোনরিবা লৈবাক অফগানিষ্টানগা কোলকটাদা জুন ৯ দা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং অসি শান্নগদবনি। অদুবু কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈবদগী মেটচশিং অসি য়ৈথোকখিবনি।

য়ৈথোকখ্রবা মেটচশিং অসিগী মতাংদা ফিফা অমসুং এ এফ সিনা কুপ্না য়েংশিল্লি। খুদোংচাবা য়েংলগা য়ৈথোকখিবা মেটচশিং অসিগী মতম লেপকনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পনবা য়াই, কোরোনাভাইরস লাইচৎকী অকিবা লৈবদগী ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না টাজিকিষ্টানগা চৎলিবা থা অসিগী ৩১ দা শান্নগনি তৌরম্বা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুসু য়ৈথোকখ্রবনি।

## রিয়েল মাদ্রিদ রিয়েল বেটিসকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী টেবলগী মকোক্তা লৈবগী খুদোংচাবা মাঙজখ্রে, লিগেন্সসু মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা রিয়েল মাদ্রিদ রিয়েল বেটিসকী মখূত্তা গোল ১–২ দা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখ্রে, অতোপ্পা ২৭শুবা লীগ মেটচ অমদা লিগেন্সনা ভিল্লারিয়েলবু ২–১ দা থোইখ্রে।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং রিয়েল বেটিসনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী ৪৪শুবা মিনিটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোইশিংনা চংখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নাবিল ফেকিরনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট সিদনৈনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা অরোইবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কমিম বেঞ্জেমানা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা থৌনাগা লোয়ননা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা খুদোংচাবা থিনদুনা লাকখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনিট ৮ রোম ৱাংলিঙৈ মতমদা রিয়েল বেটিসনা চংখরকখিবা এটেক অমদা কৃষ্টিয়ান টেল্লোনা গোল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি মখোয়না রিয়েল মাদ্রিদপু গোল ২–১ দা থোইবা ঙমখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৭শুবা রাউন্দগী মেটচতা লিগেন্সনা ভিল্লারিয়েলবু গোল ২–১ দা থোইখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনিটতা ভিল্লারিয়েলগী শান্নরোই জেরার্দ মোরেনোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোৎখরিবা লিগেন্সকী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং শেমদুনা এটেক কয়া চংখবা হৌরকখি। মখোয়গী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৪৭শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই ওস্কারনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনিটতা লিগেন্সনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা ওস্কারনা গোল ওন্থোক্নুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী লেমহৌবা মতমদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি লিগেন্সনা ভিল্লারিয়েলবু গোল ২–১ দা থোইখি।

ইটালিগী সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জুবেন্টসনা ইন্টরবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে। শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চংখরকখিবা এটেক অমদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট আরোন রামসেনা অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী অতোপ্পা শান্নরোই পাওলো দিবালানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাক্নুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৬৩ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা লাজিওদগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লিগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লিল্লেনা লিওনবু গোল ১–০ দা থোইখি। মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৩৩শুবা মিনিটতা লোইক রেমিনা চনখিবনি।

## পুনব আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেনদা য়াওখ্রে

*দুবাই, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী লিদিং ৱিকেট টেক্কর পুনব যাদব খক্তংমক আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেনদা য়াওবা ঙম্লি, ইন্দিয়াগী ওপনর সফালি ভর্মনা ১২শুবা শান্নরোই ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী স্পিন বোল্লর পুনম যাদব হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা পুন্না ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখিবনি। বাংলাদেশনা শান্নখিবা মেটচ অমদা পুনম যাদবনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবী ওপনর বেটসৱুমেন সফালি ভর্ম ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদে। মরম অসিদা ৱার্ল্ড এলবেনগী লিষ্ট অসিদা মহাক ১২শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেন অসিদা হন্দক্তা ৫রকশুবা ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ৫ য়াওরি। হন্দক শান্নখিবা আই সি সি টি–২০ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু য়াম্না চাওনা রন ৮৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৫রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেন অসিদা য়াওবা ঙমখ্রবী ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ৫ অদুদি এলিসা হিলি, বেথ মুনে, মেগ লান্নীং জেস জোনাসেন অমসুং মেগান সুটনি।

আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেন অসিদা ইংলেন্দগী শান্নরোই ৪ সু য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি নেট স্কীভর, হিথর নাইট, সোফি ইক্লেষ্টোন অমসুং এনিয়া সুবসোলনি। সাউথ অফ্রিকাগী লোরা ৱোলভার্দসু আই সি সি ৱুমেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ এলবেন অসিগী মনুং চল্লি।

সেলেক্সন পেনেলদা কমেন্টেটর ইয়ান বিসোপ, অঞ্জুম চোপ্রা অমসুং লিসা থালেকর অদুগা জরনেলিষ্টতা রাফ নিকোলসন অমসুং আই সি সিগী রিপ্রজেন্টেটিভ হোল্লি কোলভিনসু য়াওই হায়রি।

ক্রোসৱার্দ ৪৫২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | S | S | ■ | N | E | R | O | ■ | R | A | B | I | D |
| A | B | L | E | ■ | I | R | A | S | ■ | E | R | O | D | E |
| P | O | E | T | ■ | C | O | N | C | E | P | T | I | O | N |
| E | V | E | ■ | P | O | S | T | A | L | ■ | I | L | L | S |
| R | E | P | E | A | L | ■ | ■ | R | I | P | S | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | A | R | E | N | A | ■ | T | A | T | T | L | E |
| S | A | L | S | A | ■ | E | N | T | E | R | ■ | H | I | D |
| K | N | E | E | L | ■ | A | T | A | ■ | A | M | U | S | E |
| I | N | N | ■ | L | I | T | E | R | ■ | S | A | G | A | N |
| M | E | S | S | E | S | ■ | S | P | A | I | N | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | E | L | L | A | ■ | ■ | S | T | E | V | I | E |
| D | E | A | R | ■ | E | L | A | P | S | E | ■ | I | R | S |
| A | C | C | E | S | S | I | B | L | E | ■ | E | R | A | S |
| R | H | I | N | O | ■ | B | E | A | N | ■ | G | A | T | E |
| N | O | D | E | S | ■ | I | S | N | T | ■ | O | L | E | S |

## য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা মোন্টেরি টেন্নিসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*মোন্টেরি, মার্চ ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

কানাদাগী সিটি মোন্টেরিদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট মোন্টেরি ওপনগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ মায় পাক্নুনা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টোপ সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ৯শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী মেরি বৌজকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা কেটেরিনা বোন্দারেনকো অমসুং সারোন ফিচমেননা জপানগী মিয়ু কাটো অমসুং চাইনাগী য়াফান ৱাংবু ৪–৬, ৬–৩, ১০–৭ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ু এসকী সোফিয়া কেনিনা জর্মনিগী শান্নরোই অন্না লেনা ফ্রাইদসামবু ৬–২, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা টাইটল ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা লোরা লোৱানা পার অমসুং জুলিয়া ৱাচাকজিকনা লেসলি কেরখোভ অমসুং বাবিয়ানে স্কুফসপুষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।